HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী মীহুৎশিংনা রাজ ভবনদা গভর্ণরগা উনদুনা মখোয়না রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংগীদমক পাঙথোকপা থবকশিং পাউদম্বগা লোয়ননা তেংবাঙ পীবিনবা হায়জখিবা


থম্মোয় পাউদম : মশাগী ঈকায় খুম্নবা খঙবা অমসুং ... লামায় ২
লামায় ৪ পি আরসিসু মতম শাংজিল্লক্লবদি হামু-হামু ...
'কনাদা শিন্ননি ফিরাল অসে', কনা লৈরি ফিরাল ... লামায় ৫
লামায় ৬ চিন-কুকি-জোশিংনা অতম্না মীতৈশিংগী মথক্তা ...
সুপ্রিম কোর্টকী জজশিংগী এসেট পব্লিক্তা খঙহনগদৌরি... লামায় ৯
লামায় ১২ অহানবা লেগকী সেমী ফাইনেল মেটচতা...


ক্বাকেথেল ময়ায় কোইবী নিংথৌজম লৈকায়দা লৈবা ইমুং খরদা পুবা থাংবা ঙমদবা শেলগী দিমান্দ তৌরক্লে হায়রদুনা থৌওং অসিবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজংদা শরুক য়াখিবীশিং





Vol. 49, Issue No. 010 | ইরাই, শজিবু ৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Friday, April 04, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## এপ্রিল ৫ : মীতৈ অমসুং কুকি লূপশিংগী দেল্লী মীফম

# চৎকনি হায়বা য়াওরে, চৎলোই হায়বসু য়াওরে

নোমিতা খোংবান্তাবম

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদা থোরক্লিবা কাঙলূপ মশেলগী তমথীরবা লান অসিবু খামদুনা মসিগী ৱারোইশিন পুরক্নবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্না প্রপ-প্রপ হোৎনখিদ্রবসু মীয়ামগী অকনবা খোল্লাওদগী মমাঙ চহীদা অহানবা ওইনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা শীন্দুনা ন্যু দেল্লীদা লৈবা মিনিষ্ট্রি অসিগী ওফিসতা ফূরূপ অনীমক্কী মহুৎ শিনবা এম এল এ/মিনিষ্টরশিং পূন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারী শাননবা হোৎনখিবদা পূন্না ফম্মিন্নৌ য়াদবদগী মহয় য়ানখিদ্রবা মতুং থা অসিগী ৫দা ফূরূপ অনীমক্কী সী এস ওশিংগী লুচিংবশিং অহানবা ওইনা পূন্না ফম্মিন্নদুনা মীফম অমা পাঙথোক্লগনি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা খঙহল্লকখ্রবসু মীতৈ ফূরূপকী লূপশিংগী মনুংদগীদি খরনা চৎতুনা শরুক য়ারুগনি হায়বসু য়াওরে অদুগা চৎলোই হায়বসু য়াওরে।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতা




ন্যু দেল্লীদা মীতৈ অমসুং কুকি-জো ফূরূপশিংগী মহুৎ শিনবা লূপশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াগদবা মীফম অমা পাঙথোক্লগনি হায়রকপদগী পাউচে অসিনা তোঙান তোঙানবা মীতৈ ফূরূপকী মীয়ামগী লূপ খরগী লুচিংবশিংগা হকথেংননা ৱারী শাদুনা মখোয়দা মীফম অসিগীদমক ওফিশল ওইনা খঙহল্লক্লব্রা, খঙহল্লক্লগনা মীহুৎ কনা-কনানা শরুক য়ারুগনি হায়বা য়াওনা মীফম অসিদা শরুক য়ারুবদা মখোয়গী মায়কৈদগী করি করম্বা ৱাফমশিং পুথোক্লগদগে ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# অখাম জয়কুমারবু রুলগী ৱাংমদা বোসেমগী চেয়রমেন হাপখিবনি হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলক্লে

## হায় কোর্টনা লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিশল ৬ অমসুং বোসেমগী চেয়রমেনদা মে ২১, ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিসশিং ইস্যু তৌখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী জোইন্ট সেক্রেটরি (এদ্যুকেশন-এস) না দিসেম্বর ৬, ২০২৪দা থোকখিবা ওর্দর নম্বর-এদ্যু-এস-১/১৬/২০২৪-এদ্যুকেশন (স্কুলস) গী মতুংইন্না অখাম জয়কুমারবু বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেশন, মণিপুর (বোসেম) গী চেয়রমেন ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবসি পোষ্ট অসিগীদমক এপ্লাই তৌরকখিবা কেন্দিদেটশিংবু 'ওভর লুকিং' তৌদুনা 'প্রোপর এগজামিনেশন নৎত্রগা ইন্টরভিয়ু' নচিংবা অমত্তা পাঙথোক্তনা পোষ্ট অসিগীদমক তৌফম থোকপা এপ্রোপ্রিএট প্রোসেসশিং তৌদনা ইল্লিগেল/ইমপ্রোপর ওইবা মওংদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওফিশলশিংনা নম্ফুন্দা খনখিবনি হায়বগী চার্জশিং তৌরদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলক্লে।

ৱাকৎ অসি পোষ্ট অসি লৌনবগীদমক বোসেমনা ওক্টোবর ২৪, ২০২৪দা থোকখিবা




নোটিফিকেশন নম্বর ৩৯/৪/২০২৪-এস ঈ (এস)/বোসেমনা খঙহনবগী মতুংইন্না এপ্লাই তৌরকখিবা কেন্দিদেটশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ক্যামগৈ মনীং লৈকায়দগী ডা. ৱাইখোম বিনোদকুমার (৬০) অপোকপা লৈখিদ্রবা দল্লিয়ু জুগিন্দ্রো কৌবা কেন্দিদেট অমনা পিটিস্নর ওইদুনা থা অসিগী ১দা ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিস্নরনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## চীফ মিনিষ্টর বঙ্গলোগী চৌকিদার ফমুংদা শিরল্লে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচএনএস):** ইম্ফালগী বাবুপড়াদা লৈরিবা চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলোদা মমাঙথক্তা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা থৌদোক অমদা বঙ্গলো অসিগী চৌকিদার ওইবনি হায়বা নেপালি নুপা অমা মহাক্কী ফমুংদা শিরগা লৈরল্লে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা লৈখিদ্রবা চৌকিদার অদুগী মমিং রামেশ থাপা কৌই, মশাগী চহী ৫৬ রোম শুরে। মহাক্কী অপোকপগী মমিংনা প্রেম থাপা কৌই, বঙ্গলো অসিগী চৌকিদার ওইরকখিবনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## রেদ ক্রোসকী মীহুৎশিংনা গভর্ণরগা উনখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচএনএস):** ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি (আই আর সী এস) কী মীহুৎশিংনা ঙসি রাজ ভবনদা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লাগা উনখ্রে। রেদ ক্রোসকী মীহুৎশিংনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা মীওইশিংগীদমক পাঙথোকপা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং গভর্ণরদা মরীক চুম্না পাউদমখি।

লোয়ননা রাজ ভবনগী মায়কৈদগীসু মতেং পীবিয়ু হায়জখি। গভর্ণরনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## রাজ্য সভানসু 'ইম্মিগ্রেশন এন্দ ফোরেন্নর্স বিল, ২০২৫' অয়াবা পীখ্রে

**ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সী):** হৌখিবা চয়োলদা লোক সভাদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পুথোরকখিবা 'ইম্মিগ্রেশন এন্দ ফোরেন্নর্স বিল, ২০২৫' অদু সভা অসিনা খন্নরবা মতুংদা অয়াবা পীবদগী পাস তৌখ্রবা মতুংদা পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর হাউস ওইরিবা রাজ্য ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## মণিপুরগী প্রসিদেন্টস রুল : লোক সভানা অয়াবা পীখ্রে

**ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সী) :** ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫গী নুংথিল পুং ৪.৪৫ রোম তারকপদা মতমদু ফাওবা লৈরমখিবা মণিপুর লৈঙাক লুচিংলম্বা চীফ মিনিষ্টর বিরেননা গভর্ণরদা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখ্রবা মতুং থা অদুগী ১৩দগী ষ্টেট অসিদা চলাইরক্লিবা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাকপু লোক সভানা অয়াবা পীখ্রে।

মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল চৎনহনবগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা তৌখিবা প্রোক্লেমেশন অদুগী অয়াবা লৌনবগীদমক হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা সভাদা পুখৎলকখিবনি। মোশন অসি হাউসকী মেম্বরশিংনা শরুক য়াদুনা খন্নরবা মতুংদা পার্টিগী ৱাফম থম্নদনা মশীং য়াম্না মেম্বরশিংনা শৌগৎলকপদগী অয়াবা পীখিবনি। অদুম ওইনমক মণিপুরদা চহী অনীরোম চুপ্না থোকহন্নীংদবা লান থোকহনবগী মতাংদদি মেম্বর খরনা য়ুনিয়ন লৈঙাকপু মরাল শীখি।

মোশন অসিগীদমক পাঙথোকখিবা অতেনবা দিবেটকী পাউখুম পীরদুনা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ফোঙদোকখিবদা নোর্থ-ইষ্টর্ন ষ্টেটশিংদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লবগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎলি। হৌখিবা থা ৪ রোমদা মণিপুরদা ভাইওলেন্স অমত্তা ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

# এম পি বিমোলনা লোক সভাদা মুকেশকী ৱাফম পুখৎখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচএনএস) :** য়াওশঙ হুম্নি চনবা নুমিৎ মমাঙ থাগী ১৬কী নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদগী ময়ূমদগী মারুটি অলটো কার অমা থৌদুনা থোকখিবদগী ঙসি ফাওবা লংলা-লংজিন ফংবা ঙমদ্রিবা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দগী লুৱাংথেম মুকেশ (২০) গী থৌদোক্কী মতাংদা লোক সভাদা এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা পুখৎখ্রে।

ঙসিগী সভাগী ৱাহং-পাউহংগী বিজিনেস লোইরবা মতুংদা ফংখিবা জিরো অৱারগী খুদোংচাবা লৌরদুনা মহাক্না মফম খঙদ্রিবা এল মুকেশনা জৌজাংতেক ফাওবা য়ৌশিনখি হায়না খঙলবসু ঙসি ফাওবা ফংবা ঙমদ্রি। হায়রিবা মফম অদু লান অসিগী মনুংদা লিপ্তোইঙম্বী অমসুং হেমঞ্জিৎ কৌবা নহা অনীসু মাঙখিবগী থৌদোক লৈখ্রবনি। মফম অদুমক মাঙখিবা মীওইশিং ফংবা ঙমদবদগী 'বর্মুদা ত্রাইএঙ্গল' ওইনা লৌনরক্লবনি হায়রদুনা অসিগুম্বা পামদবা থৌদোকশিং অসি থোকহন্দনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা পম্থদনা থবক লৌখৎহনবীয়ু অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী তঙাইফদবা মথৌ অসি মীয়ামগী পূন্সি ঙাক শেনবা অমসুং থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা হোৎনবনা ওইগদবনি হায়বা ৱাফমসু এম পিগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখি হায়রি।


